ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, জুন ১৫, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৭৭ শুবা মশীং

## ব্লোকেদ অমসুং কাউন্টর ব্লোকেদ
### *কাঙলুপকী ঈরাং লাক্তনবা লৈঙাক্না থবক লৌখৎলু*

*মণিপুর* লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা য়েলহৌমী কন্নবা বিল অহুমগী মায়োক্তা জে এ সী এগেনষ্ট দ ত্রাইবেল বিলনা থৌবু ওইরগা নাগা, জৌমী অমসুং কুকি ফুরুপকী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা শৌগৎতুনা থা অসিগী ৯ দগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা চথবা হৌখিবা ইকনোমিক ব্লোকেদকী চৈথেং মণিপুরগী মীয়াম্না ফংলি। অপীকপা ৱাথোক অমগীসু ঙাইহাক লৈতনা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌদুনা মণিপুরদা খুন্দারিবা মীয়ামদা অৱা চৈথেং পীরকপদগী খোয়শাওনরবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরগী থৌমীশিংনা কাউন্টর ব্লোকেদগী খোঙজংসু হৌখ্রে। ইকনোমিক ব্লোকেদ হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমসুং মীওইবা খুন্নাইদদি য়েমৌনবা থৌদৌনি। মীওই খরগী অনিংবা অপান্বা ফংননবগীদমক দিমান্দ অমা তানবদা মীওই লাখ কয়ামরুম চরা হেন্ননবা ইকনোমিক ব্লোকেদ চথবা হায়বসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনসু লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবনি। চহী খরগী মমাঙদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা চথখিবা থা অমা হেনবা ইকনোমিক ব্লোকেদকী মতমদা মোইরাংখোমদা লৈবা লন্নাই মীওই অমনা হায় কোর্টতা পি আই এল তৌদুনা মরাল লৈবশিং ফাননবা তকশিনবা লৈখি। কোর্টকী য়াথং অদুনা মরম ওইরগা য়ু এন সীগী লুচিংবা খরা ৱান্টেদ লাউথোককখি। অদুবু হায়রিবা লুচিংবশিং অদু মখোয়না তৌখিবা মরাল অদুগী মতুংইন্না কোর্টনা নৎত্রগা লৈঙাক্না চৈরাক পীননবগী থবক লৌখৎখিবগী পাউদি তাবা ফংখিদে। মদুগী মতুং তারকপদসু য়ু এন সী অমদি মসিগা পুন্না চৎমিন্নরিবা নাগাগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা ঙাইহাক লৈতনা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌখি। ইকনোমিক ব্লোকেদনা মীচম মীয়াম ৱাহল্লি হায়বা লৈঙাক্না খঙলবসু ব্লোকেদ তৌরিবশিং অদুবু লাকশিন্ননবা অকনবা থবক লৌখৎপা অমুক্তা উখিদে। চীংগী লমদা লো থুগাইবা খরনা তৌরিবা থবক থৌওংশিং অসি তম্পাক্তা লৈবা কাঙবুনা তৌরম্লগদি নহান্না এন এস এ পান্দুনা কৈশুমশঙদা থম্লমগনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্না চীংদা লো এন্দ ওর্দর ফ্রী থাবদগী হৌজিক্তি কাঙবু খরনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌদুনা লৈরে।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা য়েলহৌমী কনবগা মরী লৈনবা বিল অহুম অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা বিল অমা হায়বদি দ প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পীপলস বিল-২০১৫ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা ৱিঠহোল্ড তৌখ্রে। প্রসিদেন্টনা ৱিঠহোল্ড তৌখ্রবা বিল অমা হায়বসি মখা তানা চৎনবা য়াখিগদ্রা হায়বসি হংনিংঙাই লৈত্রবনি। মরক অসিদা অতোপ্পা বিল অনী অদুসু অখঙ-অহৈশিংদা অমুক হন্না য়েংশিনহন্নবা থাখিবগী ৱাফমসু মীয়াম পুন্নমক্না খঙনরে। বিল অহুম অসিদা য়াওরিবা মচাকশিংদা য়েৎননিংঙাই ওইবা য়াওই হায়না ত্রাইবেলশিংনা লৌরগসু মেরিটতি চীংমী-তম্মীশিংগী য়াইফননবনি হায়বসিদি খুদিংমক্না য়ানিংগনি। লৈবাক্কী ওইবা লুরবা ৱাফম অসি হৌজিক্তি চীংমী অমসুং তম্মীগী মরক্তা পুন্না ফম্মিন্নবা অমসুং য়ানবা অমগী মখাদা য়েলহৌমী কন্ননবা বিল শেমদ্রবদি মায় পাকপগী ফীভম উদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হৌজিক্তি য়েলহৌমী কন্ননবা বিলগী মতাংদা লৈরম্বা চয়েৎনবশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লনবগী খুদোংচাবা অমা ফংলে। খুদোংচাবা অসিগী মখাদা চীংমী-তম্মী পুনশিল্লগা অমনসু য়াগদবা অমদসু শোক্লোইদবা মখলগী বিল শেম্ননবা পুন্না হোৎনমিন্নবা মতম য়ৌরে। মদু নত্তনা খৌংজেংদা খল্লগা দিমান্দ তৌরিবনি হায়দুনা মীগী চরম মেৎপা তৌহৈখিদ্রবা থবক অসিমক তৌরবদি ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা থাজনদবা লাক্কনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই। ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌরবসু, কাউন্টর ব্লোকেদ তৌরবসু লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিল্লগদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপশিং নুংশিনদনবা ইনশিনবগা মান্নগনি। থৌওং অসিদি লৈঙাক্কী মচৎ নত্তে। মরম অদুনা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌরিবশিং চপ চানা মায়োক্লগদবনি। মসিনা থোকহল্লিবা খুদোংচাদবশিং থেংনবদা লাইনিংবগী শক্লোন লোইরোইদবনি। মতম চূপ্পদা লৈঙাক্না কোক নোন্দুনতা লাকপদগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবশিংনা কাখৎলকপনি। হৌজিক্তি মসি য়াদে হায়বা খঙহনগদবনি। মখোয়দসু নত্তনা মীওই কাঙবু অমনা অকায়বা থবক তৌরক্লে হায়দুনা খুৎ হনবগী মওংদা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌরিবশিং অসিসু ৱাখল খজিক্তং খন্থবিরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়াদা নংলিবা অৱাবা চৈথেংশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবীয়ু।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লাইনীং

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ধর্ম্ম** (লাইনীং) হায়বা ৱাহৈসি হিন্দী, সংস্কৃতকী ৱাহৈনি। মৈতৈ ইমালোলদা খঙনরিবা অসিদি অচুম্বা লমচৎ-লিচৎ হায়বনি। হৈনবীসু কৌবা য়াই, মতিক লৈবসু কৌবা য়াই, মীংচৎ নৎত্রগা অফবা থবক কৌবসু য়াই। থকসি-খাসি কৌবসু য়াই। কৎথোকপা অফবা লন্বী তানবা কৌবসু য়াই। কৎথোকপা খুদম কৌবসু য়ারিবনি। লাইনীংসিগী ঈগী শাগৈমক্তনি। লাইনীং অমসুং মী কন্নানা হান্না লৈরকখি, মীনা হান্না লৈরকখি। কোন্নথংদা লাইনীং পোল্লককখি, লাইনীং কদায়দগী পোল্লককখি, মীগী থম্মোয় ৱাখলদগী পোল্লককখি। মী কদায়দগী পোল্লককখি, মী তোংলিবা লৈবাক অসিদগী ওইরকখি। লৈবাক কদায়বুনো, ঐখোয়না তোংদুনা লৈরিবা মালেম অসিনি। লাইনীং কমদৌরগা পোল্লককখি, খঙদবা ৱাখল অকি অখংদগী পোল্লককখি। মী-হকচাং হায়বসি ঙংদুনা চৎলিবা ইঞ্জিনগুম্বনি। য়াম্না খঙদদুনা লৈরমখি। অসুম অসুম মতম কয়া লৈরকখি। খজিক খজিক শিংবা খঙবা হৌরকখি ৱাখল ইফুৎ কয়া পোল্লককখি। মী থুংনা খঙবা মান্নদে। খরা থুনা খঙখিবা মী অদুনা শেম্বা লাইগী শক্তম মী ওইরকখি। অমরোমদনা নিংথৌ শক্তম ওইরকখি। মী অদুনা অপাম্বগী মতুং ইন্না মফম অদুদা লৈবাক ঙাকপা নিংথৌ লৈঙাক তৌবা হৌরকখি। খঙদবা কয়ানা অকি অখঙ কয়া ফাওরকখি। নোংখাকপা ফাওবা ঐখোয়বু শেম্বীবা মপুনি হায়হল্লকখি। নিংথৌ অদুনা মশামক্না কাংলোন অমা চৎহল্লগা লৈবাক ঙাকখি। ঙমখি ঙমখৈ ঙমখৈ খাইখি। মীশিং অদু মাগী মখাদা থমখি। লোইপোৎ কয়া কয়া কাহনখি। চৎন-কাংলোন কয়া শেমখি। চৎনবী ওইখি চৎনবী অসি লাইনীং হায়বদু ওইরকখি। মতমগী অওনবনা মরম ওইদুনা হৌজিক্তি শেঞ্জাও পায়বগী লাইনীং ওইবা মথংদা মান্নবা লৈঙাক, মথংদা অমুক পুন্মান মান্নবা লৈঙাক, অরোইবদা পুমলোই লোইরবা লৈবাক ওইগনি। শেঞ্জাও পায়বসে মাঙহনবা য়াগদ্রা? য়াগনি, অহেনবা মীয়াম্না মাঙহনখিনি। কৃষ্ণ, বর্ম্মা, ভগবান রাম, যিশুনা শাওরক্লোইদ্রা, নহাক্কী ইমা শিবগুম শিখ্রবনে, লাক্লরোই, শাওরোই। মাগী মাগী ৱাখলদি ইদুনা থনমখি। ঐহাক্তি য়াম্না কিজেয়ে। মীয়াম্না শক-শোল্লিবসিদি খঙদদুনা তৌরিবনে, অহাম্বা য়েরুম য়েন্না কোন্দুনা লৈবগুম্বনে। ঐহাক্তি চহী কয়া মমাঙদগী থাজদুনা লাকপনে, থাদোকপা ঙল্লরোই লাইচুখ্রে। অদুগুম্বা ওইদবা কয়া থাজরিবা মী অদু পাপ হায়নরিসিনে।

নখোয়গী থাজবা কয়ামা কোক্লবা লাইশিংগী মীফম অমা মালেম লৈমায়সিদা অমুক্তা ফম্লগা ৱা ঙাঙহনসি - ১) হীরমদি অসি ওইহনসি মানা মানা ঙম্বা শক্তি পাঙ্গল উৎনবা মরম অসিনা মখাগী অসি চেবাউ তৌসি - ১- গভৱানরাম ভগৱান কৃষ্ণ, যীশু, সনামহি, মহাদেব, দুর্গা, গনেশ, সরস্বতি, হনুমান, দুর্বাশা মুনি, শানি মুনি, নুংশিৎকী লাই, ঈশিংগী লাই, হিংনা চাবা হিংচাবা হিংচাবীশিংসু কৌসে। লাই কোতি কুম্ব্রাহুমদোই লৈ হায়বদুসু কৌসে। মীফম মপূং ফারকান্দা মসিমতি তৌদ্রবা য়াদ্রে, শেমদোক্ত্রবা য়াদ্রে হায়দুনা কপ্তুনা থরো থরো ওন্দুনা, খুরুমদুনা নিজহৌসে। মদুদি - ঐখোয়বু শেম্বীরিবা মতিক লৈরবা লাইশিংগী মাগী মাগী লাইনীংশিংসে খরা শেমদোকপিয়ো। মালেমগী মীশিংসে অমগা অমগা পংহাৎ হাৎনরে। লাইনীংনা ঐখোয়গী মীশিংসি খৎনহল্লে। উচি ৱারেপতি তাবিরমগনু হায়জহৌসে।

*অদোমগী - এম গম্ভীর খুমন*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১। কবি চাউবনা শৈরেং ঙাক্তগী লাইরিক অমখক্তং ইরম্মী। মমিং করি কৌই?
২। 'রোহিনী' উপন্যাস কনানা ইবনো?
৩। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ৱারেংগী লাইরিক অমখক ইরম্মী। মমিং করি কৌই?
৪। 'কপালকুণ্ডলা' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ঈ কৎপা অমদি মসিগী নুংঙাইবা

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**



***মীওইবনা*** মীওইবগীদমক পাঙবা য়াবা মতেংশিংগী মনুংদা ঈ পীবা/ঈ কৎপা হায়বা অসিদগী হেনবা অমা লৈত্রে। ঈ হায়বসি করিগুম্বা পোৎশক অমত্তনা মহুৎ শিনবা য়াবা অমা নত্তে। শেঞ্জাও পায়বা অমনা মহাক্কী খ্বাইদগী নুংশিজবা অমগী পুন্সি কন্ননবগীদমক অচৌবা শেনফম পায়দুনা ঈগী মহুৎ লৈগে হায়বদা কৈথেলদা ফংদে। অসুক মমল য়াম্লবা ঈ অসিনা কৎলিবা পুম্নমক্তগী অথোইবনি। কনাগুম্বা শেঞ্জাও পায়বা মীওই অমনা কনাগুম্বশিংগী য়াইফনবা অচৌবা মতেং কয়া পাঙদুনা লাকই। মদু অচৌবা কথোকপগী খুদম অমনি। অদুবু শেল ওইনা, পাঙ্গল ওইনা নৎত্রগা ৱাখল্লোন ওইনা মতেং পাঙনরিবা অসিদগী থোইদোক্লা মমল য়াম্বা অমদি থোইদোক্লা শিংথানিঙাই ওইবদি ঈ কৎপা হায়বসিনি। মেদিকেল সাইন্সনা ফনা নিংথিনা চাওখৎলবসু ঈগী মহুৎ শিনবা য়াবা করিগুম্বা অমত্তদি পুথোকপা লৈত্রি। ঙমগনি হায়বগীসু থাজবা লৈত্রি। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয়না থোইদোক্লা কিনিঙাই লৈতে। অফবা হোস্পিটাল, মমল য়াম্বা লায়েংগী খূৎলায় লৈরবসু, অহৈবা অখঙবা সর্জন ডাক্তর লৈরবসু ঈ য়াওদ্রবদি সর্জরি তৌবদা অমদি লায়েং চথবদা মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙমদে।

অদুনদি ঈ হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা মীওইবগী হিংবগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা পোৎশক অমা ওইরি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মীওইবদা নারিবা অনাবগী লায়ওং অমদি লাইচৎ কয়া অমসু হেন্না হেন্না মশীং য়ামখৎলকই। পুম্নমকশিং অসি লায়েংবদা ঈ চঙই। অদুদি ঈদি কনানা পীগনি? লৈবসু ফংদবা মহুৎ শিন্নিংঙাইসু লৈতবা ঈ অসি মীওইবনা মীওইবগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা পীবা তারকই। মচু মান্নে হায়দুনা থৱায় পানবা অতোপ্পা শা-ঙাদগী ঈ লৌদুনা মীওইবদা কাপ্পা য়াদে। অদুদি মীনা ঈ কৎপদা করিগী অসুক কিরিবনো? মসিগী ফিলোসোফিকেল ওইবা মরমচৎ অমদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অহলশিংনা ঐখোয়দা তম্বীরকই। চেনবদা, চোংবদা, তুশিনবদা নৎত্রগা থাঙ পায়দুনা চৈতেক-চৈরাং পায়দুনা শান্নবদা খিতং শোকপদা ইপা পাখৎনা মমা-মপা অহল ওইবশিংনা - ইস! ঈ য়াম্না থোক্লে হায়না হেক-হেক হায়বী। অমুকসু অঙাংশিংবু ৱারক ৱাতেম্বদা 'ঈ থোক্কনি' হায়বসি হায়নরি। মদুনা অঙাংশিংগী সাইকোলোজিদা ঈ থোকপসি য়াম্না কিনবা অমা ওইরিবনি। ঈদি লায়রদনা ঈগী মচু ওইরিবা অঙাঙবা মচু উবদা মীপাইবা মীসু লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসিনসু ঈ পীবদা ইশাদা অকিবা অমা ফাওহল্লি। লোয়ননা ঈ পীবদা হকচাং চোকথবা, হকচাং শোকপনচিংবা তৌগনি হায়বগী অকিবা অমসু অদুম লোইনদুনা লৈ। অদুনা খজিক্তং ঈ থোকখিবদা মদুগী মহুৎ শিন্নবনি হায়দুনা মচি ওইবা চীঞ্জাক কয়া চাদুনা থোকখিবা ঈগী মহুৎ শিনজিন্নবা হোৎনবা থেংনৈ। অদুবু মসি থোইদোক্লা কান্নদবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। ঈ হায়বসি মীওইবগী মশাদা শেমজনবা মেকানিজম অমা ঈশ্বরনা শেম্বীরকই। মদুনা থোকখিবা ঈগী চাং অদু অথুবা মতমদা অদুমক হঞ্জিলহল্লি। তশেংবদি ঈ পীবদা কৈসু কায়দে, হকচাং চোকথবা অমদি ৱাবা কৈসু লৈতে।

ৱর্ল্ড ব্লদ দোনেসনগী থৌরম মালেম অসি শিনবা থুংনা হৌখিবা জুন ১৪ দা পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে। মণিপুরদসু মসিগী থৌরম অসি ব্লদ বেঙ্ক, রিমস/জেনিমস অমদি অতৈ লূপ কয়ানা শীন্দুনা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্পকা লোয়ননা মফম কয়াদা পাঙথোক্লরি। ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর্স দে হায়বসি ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গেনাইজেসন্না শীন্দুনা কুমজা ২০০৪ দগী হৌনা, কুমজা ১৯৬৮ তা পোকখিবা ঈগী গ্রুপ এ বি ও গ্রুপ পুথোকখিবা নোভেল প্রাইজ ফংখিবা কর্ল লেন্দষ্টেনরগী মপোক নুমিৎতা মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। মসিগী মরু ওইবদি মীওইবগী পুন্সি কনবদা ঈগী মরু ওইবা, চাং নাইনা ঈ কৎলিবা ভোলুন্টরি দোনর্সশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি মীয়ামদা ঈ পীবগী মরু ওইবা তঙাইফদবা কয়া অদু পাক শন্না খঙহনবা অসিনি। চহী খুদিংগী ওইনা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনর্সশিংনা কৎলকপা ঈনা মালেম অসিগী মীওই মিল্লিয়ন কয়া কয়াগী পুন্সি কল্লিবনি।

ঈ কৎপা (দোনেসন) দা নুংঙাইরিবসি মখল য়াম্মী। ঈ দোনেসন তৌরবা মীওই অমনা মশাদা মীওইবা অমগী পুন্সি কনবা ঙম্বগী চাওথোকচবা অদু পোকই। মেদিকেল সাইন্সনা খম থেংনা চাওখৎলবসু, লায়েংবা ঙমদবা লায়না অমত্তা লৈত্রবসু, মখল কয়াগী খূৎশু খূৎলায়না অনা লায়েংদা মতেং কয়া পীরবসু, অফবা লায়েংশঙ অমদি অফবা অহৈবা ডাক্তর কয়া লৈরবসু, ঈ হায়বা অসিগী মহুৎ শিনবা ঙম্বদি ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রি। ঈ হায়বসি সর্জরি তৌবদা অমদি অতৈ ঈগা মরী লৈনবা অনা লায়েংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা মচাক অমনি। ঙসিদি মালেম অসিদা মীগী মশীং হেনগৎলকপনা লন্বীগী এক্সিদেন্টগী চাং হেনগৎলক্লি, নুপী ওইবীশিংনা অঙাং উনবা মতমদা তঙাইফদনা ঈ চঙদবা য়াদবা, মথৌ তারকপদা খুদক্তা ঈ কাপত্রবদি হেন্না খুদোংথিবা ওইরকপা, অমগা অমগা নুংশিনদবগী চাং হেনগৎনরকপনা মশেল হাৎনবগী, লানগী অমদি অতৈ মখল কয়াগী মীশি মীনা থোকহল্লকপা মতমদা ঈ হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইরকই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনরশিংনা চাং নাইনা ঈ কৎপনা অনা লায়েংদা, মীওইবদা খুদোং চাহল্লি। অদুবু মীপুম খুদিংনা ঈ পীবদা হকচাংদা মাঙজবা করিসু লৈতে হায়বা ৱাখল অসিমদি পাক শন্না খলহনবা ঙমদ্রি। ঈ মথৌ তারকপদা লৈগে হায়না কোয়চেন চেন্নবা উরি। লুরিবদি ঈ য়োনফম দুকান্দি মফম অমত্তদা হাংদ্রি। য়োনবা য়াবসু ওইদ্রি। ঈবু করম্না য়োনগনি। মতমগী মতুং ইন্না ঈদগী মখল কয়াগী অনাবা ওইহল্লক্লি হায়বসিসু মীপুম তিংনা খঙনৈ। মরাল লৈজদবা মীওই অমদা ফৎতবা ঈ কাপ্লুবদা নারকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

ঈ পীবদা তোংজরিবসি অনাবা অমদি ঈ পীরিবা অনীমক্তনি। ঈ পীবা হায়বসিমক্তবু মশা ফবা, লায়না তিলনা চেন্দবা ওইবা তাই। চাং নাইনা ঈ দোনেসন তৌগে হায়রবদি মহাকমশাদা মখল অমত্তী লায়না চঙহন্দনবা হোৎনবা তাই। মসি মীওইবগী লমচৎ শাজৎ অমদি চীঞ্জাক্কী হেবিটকসু য়াম্না মরী লৈনরি। অদুনা মহাক মশা শেংনা অমদি লমচৎ চুম্না লৈবদা ভোলুন্টরি দোনর মশাদসু অচৌবা কান্নবা পীরি। মাগী ঈ অদুনা অনাবা অমদি ঈগী মথৌ তাবা মীগী পুন্সিবুসু কল্লি। অমরোমদা ঈ দোনেট তৌবনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হেনগৎহল্লি। ইন্টিগ্রিটীগী অচৌবা পাউজেল অমসু ব্লদ দোনেসন্না পীরি। ঈ হায়বসি অঙাঙবা মচুনি। মচু চপ মান্নবা ঈদা লাইনীং-লাইশোল, কাঙলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা অমত্তা লৈতে। মীওইবা হায়বা খুদিংমক্তা ঈগী কাঙলুপ চান্নরবদি লোইনমক্তা কাপ্পা য়াই। অদুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা হেন্না অচেৎপা লিপুন পূনশিনবা ঙম্মী। ঈ কৎসি মীওইবা কয়াগী পুন্সি কনসি, মালেমসিদা নুংশি-চান্নবা পুরকপদা ঈ কৎপনা লৌরিবা থৌদাং অসি পূন্না খঙমিন্নরসি।

# ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরিঙৈদা জেলদা থমখিবা 'অলি' লৈখিদবদা

**লৈশাংথেম অজিৎ**

**হৌখিবা** হাপ্তাদা হান্নগী ৱর্ল্ড হেভিৱেথ বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরম্বা অমেরিকাগী কুচু মুবা মহমদ অলি (কেসিয়স ক্লে) লৈখিদবগী নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা মহাক্কী পোক্লফম লুইসভিল্লেদা মহাকপু লৈরোল চনবদা শরুক য়ানবা মীওই লিশীং লিশীং লাকখি। মখোয়গী মনুংদা হান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা বিল ক্লিন্টন, প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী এইদ, মহাক্কী মহুৎ ওইনা লাকখিবা ভেলরি জারেট, জোরদানগী নিংথৌ অবদুলা, টর্কি লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়য়িপ ইরদোগান অমসুং হীরম খুদিংমক্তা মমিং লৈরবা মীওইশিং য়াওরি। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু কারদা পুদুনা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা লৈরম্বা ময়ূমগী মমাঙ শোরোক, অলি সেন্টর, সেন্টর ফোর অফ্রিকান অমেরিকান হেরিটেজ ফাওরগা মহমদ অলি বোর্ডলেভার্দ য়ৌখি। বোর্ডলেভার্দ অসিদা কারশিং অদু পরেং শানা থৌদুনা লাক্লগা কেভ হিল সিমেত্রিদা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং য়াওবা 'কু' অদু কুমজা ২০০১ দা 'অলি' কৌবা ফিল্ম অমা নমখিবদা মহমদ অলিগী শক্তম লৌখিবা ৱিল স্মিথ অমসুং বোক্সিং চেম্পিয়ন লেন্নোক্স লিৱিশ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা পুদুনা লৈরোল চনখি।

কুমজা ১৯৬৪ গী ফেব্রুৱারী ২৫ দা কেসিয়স ক্লে (মহমদ অলি) না মিয়ামি বিচতা সোনি লিষ্টনবু মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়নগী মিংথোল লৌখি। নুমিৎ অসিদগী কুমজা ১৯৬০ দা রোম সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা লাইট হেভি ৱেথতা চেম্পিয়ন ওইখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লুইসভিল্লেদা কুচু মুবা লায়রবা ইমুংদা পোকখিবা চহী ২২ শুরবা নুপামচা অসি মালেম শিনবা থুংনা শকখঙনখি অমদি দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী মপু ওইখি। মহাক অফাওবা বোক্সিং থিন্নবদা মমিং লৈবা শান্নরোয় ওইবা খক্তা নত্তনা মীওইবা ফুরুপকী য়াইফনবা তৌবদা পূক্নিং চঙবা নিপা অমা ওইনসু মালেম অসিদা ইকায় খুম্নে।

মতম অসিদা অৱাং অমেরিকা অসি কুচু মুবশিংনা সিভিল রাইট তানবগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা মতমনি। কুচু ঙৌবা অমেরিকা মচাশিংনা কুচু মুবা (নেগ্রো) অফ্রিকান অমেরিকানশিংবু হন্থনা য়েংবা অমদি অঙৌবশিংনা ফংবা খুদোংচাবশিং অমুবা মীওইশিংদা ফংহন্দবা, অমুবশিংগী হক মীওইবা অমা ওইনা লৈহন্দবা অমেরিকাগী থৌশিল অদুগী মায়োক্তা কেসিয়স ক্লে (মুহমদ অলি) সু লৈ। মতম অদুদা কুচু মুবশিং অসি মীনায়গুম্না লৈ। মখোয়গী স্কুল তোঙান্না থমদুনা কুচু মুবা খক্তমক তমহল্লি, ইরোইফমদা মখোয় চঙবা য়াদে, বেজ বোলগী নেসনল লীগতা কুচু মুবা য়াওহন্দে, তেনিস কোর্টতা চঙহন্দে, বসকী মমাং থংবা সিট (ফম্ফম) তা ফম্বা য়াদে, অঙৌবগী হোটেলদা চঙবা য়াদে, সেনেমা য়েংবদা ফার্ষ্ট ক্লাসতা য়েংবা য়াদে। কেসিয়স ক্লেসু মহাক্কী পোক্লফম লুইসভিল্লেদা লৈবা কুচু মুবা অঙাং খক্তমক তম্বা সেন্ত্রেল স্কুলদা তম্লকখি।

কেসিয়স ক্লে হায়বা অসি মীনাই ওইরিঙৈদা কৌবা মমিংনি হায়দুনা মহাক্না সোনি লিষ্টনবু মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়ন ওইখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা কুমজা ১৯৬৪ দা মহাক্কী মমিং মহমদ অলি ওনখি, ইস্লাম লাইনীং লৌখি অমদি মহাক্না নৌনা লৌখিবা লাইনীং অসিদা য়াম্না ইকায় খুম্নদা, ইস্লামগী চৎনবী পূম্নমক ঙাক্না চৎখি।

মহমদ অলিনা চহী ১২ শুরকপা মতমদা মহাক্কী অপোকপনা সাইকল অমা লৈবিরম্মী, নোংমদি মহাক্না মেলা য়েংবা চৎপদা অচা অথক চারিঙৈদা মহাক্কী সাইকল অদু মাঙখি (হুরানখি), মদুদা মীওই খরনা মহাকপু জো মার্টিন কৌবা মফম অদুগী পুলিসকী মকোক ওইরিবা নিপা অদুদা তাক্তুনা সাইকল অদু থিবিনবা হায়জরুনবা হায়বীদুনা মহাক্না জো মার্টিন থিবা চৎপদা অচৌবা হোল অমদা নুপা মচাশিং বোক্সিং থিন্নবা উরম্মী, মদুদা মথৱায় তানা য়েংদুনা লৈথোকখি। মতম অদুদা জো মার্টিন লাক্তুনা মহাক্না মথৱায় য়াওনা বোক্সিং থিন্নবা অদু য়েংদুনা লৈরম্বা উবদগী মঙোন্দা বোক্সিং তমনিংব্রা হায়না হংবদা মহাক্না য়াম্না হরাউনা তমনিংই হায়না খুমখি অমদি মহাক্না মার্টিন থিবা লাকপগী ৱারমসু তমখি। মহাক্না মহমদ অলিদা (কেসিয়স ক্লে) দা ফোর্ম অমা পীদুনা মদুদা মমিং মথা মেনশিল্লগা মপা মমাগী সহি তৌরক্লবা হায়রম্মী। জো মার্টিন পুলিস ওফিসারনি অমসুং নুপামচাশিংবু বোক্সিং তম্বীবগী থবকসু তৌই। মহাক অসি মহমদ অলিগী অহানবা বোক্সিংগী ওজানি।

মহাক্না রোম ওলেম্পিক্তা পোলেন্দগী বিগনিয়ু পিত্রেয়কোউসকিগা লাইট হেভি ৱেথকী ফাইনেলদা থিন্নবদা মায় পাক্তুনা সনাগী মেদল অদু মঙকশমদা হেক হুকচিনখিবদগী মহাক্কী মেদল অদু লৌথোকখিদে, মেদল অদু মঙকশমদা শিদুনা গেমস ভিলেজদা কোয়চৎ চৎলম্মী, তূম্বদা, চাবদা ফাওবা থাদোক্লমদে। মহাক্না লুইসভিল্লেদা হল্লকপদা সহর অদুগী মীয়াম্না মহাকপু লন্বীদা ওক্লম্মী। মহাক্কী ময়ূমদা নুমিৎ কয়ানিরোম মীওই কয়ানা মহাকপু থাগৎপা অমদি হরাউবা ফোঙদোকপা লাকপা অরেপ্পা লৈখিদে।

নোংমদি মহাকপু লুইসভিল্লেগী মায়োরনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লম্মী। থৌরম অদুদা শরুক য়ারুরবা মতুংদা মহাক্কী মরুপ রোনি কৌবা অমগা মোটোর সাইকল তোংদুনা ময়ূমদা হল্লকপদা লন্বীদা হোটেল অমদা চঙদুনা বরগর অমমমগা মিল্ক শেক অমমমগা চানবা পীয়ু হায়রুবদা হোটেলগী মেনেজর অদুনা অমুবা মীওইশিংদা চানবা য়োন্দে হায়রকখি। মদুদা মহাক্না মহাক্কী মমিং তাক্তুনা মহাক ওলেম্পিক চেম্পিয়নগী লুইসভিল্লেগী ইনাক খুনবা তরানা মহাকপু স্পোন্সর তৌদুনা প্রোফেসনেল শান্নরোয় ওইরবনি হায়রবা ফাওবা মেনেজর অদুনা থওইনা তাদে। তাঞ্জা অদুদা কুচু মুবা মীওইশিংবু থিনা থিনা ওৎপীবা, কুচু ঙৌবা গুন্দা খরা চঙলক্তুনা মেনেজর অদুবু শৌগৎতুনা মহাক্কী মীচংদা ঙাঙলকখি।

মরুপ অনী অদু থুনমক থোরক্তুনা পার্কিংদা থারিবা মোটোর সাইকল অদু লৌথোক্লবা (ইন্থোক্লবা) হোৎনরিঙৈদা গুন্দা অনীখক চঙলক্লগা মহমদ অলি (কেসিয়স ক্লে) গী মঙকশমদা য়ালিবা সনাগী মেদল অদু পীরম্মু হায়খি। মদুদা ক্লেনা য়াখিদে, মখোয় অনী গাড়ী অদু থৌদুনা লাকপদা অঙৌবা অনী অদুনা মখোয়বু তান্নরক্তুনা ওহায়ো তুরেল মথক্তা শাবা জেফরসন কাউন্টি ব্রিজ (থোং) অদুগী মথক্তা থেংনদুনা থাং, য়োৎলিনচিংবা শীজিন্নদুনা ফুনবদা অঙৌবা অনী অদু চেনখি। মরুপ অনী অদুনা তুরেলদা কুমথদুনা মশা অদুদা তৈরিবা ঈ অদু চামথোক্লবা মতুংদা তুরেলদগী কাখৎলক্তুনা ক্লেনা থোংগী ময়ায় য়ৌরকপদা মতায় রোমদা চৎথোক্লগা মহাক্কী সনাগী মেদল অদু তুরেলদা লংথখি।

মহমদ অলিনা বোক্সিং থিন্নবদা মায় পাক্তুনা কন্না মায় চুমখৎলকপগী মতমদা অমেরিকাগা ভেয়েটনামগা লান কন্না শোক্লরি। মরম অসিনা অমেরিকাগী নহারোলশিং সিফাই খল্লবা মতুংদা ত্রেনিং তৌরগা ভিয়েৎনামদা লান শোক্লবা চৎহল্লি। অহানবদা মুহমদ অলি সিফাই খনবগী চাংয়েং তৌবদা এপতিচুতা নম্বর খরা ৱাৎতুনা খনখিদে। অদুবু চাংয়েং তৌবগী থাক অদু খরা হন্থরক্তুনা সিফাই খনবগী মতিক চারবা নিপানি ভিয়েটনামদা লান শোক্লবা চৎহনবা য়াগনি হায়দুনা মহাকপু সিফাইদা চঙহনবা য়াবগী মমিং পানখৎখি। মরমদি অমেরিকাগী নহা খুদিংমক কম্পলসরি ওইনা লৈবাক্কীদমক সিফাই খনহন্দুনা মিলিটরি ত্রেনিং পীগদবনি অমদি লৈবাক্কীদমক থবক তৌগদবনি। মহমদ অলি সিফায় খল্লু হায়বা লৈঙাক্কী হুকুম অদু ইনখিদে, মহাক্না অসুম্না হায়খি মদুদি মহাক ভিয়েটকোঙগা য়েক্লবা নত্তে, ভিয়েৎনামদা চৎলোয়, মহাকপু অমেরিকাগী চৎনবী থুগাইদুনা লৈঙাক্কী য়াথং ইন্দবগীদমক চহী মঙা জেলদা লৈবগী য়াথং পীখি অমদি দোল্লর লিশীং তরা (১০,০০০) ফাইন থিহনখি। মহাক্না পায়রম্বা ৱর্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়নগী মীংথোলসু মহাক্কী মমিংদগী লৌথোকখি। বোক্সিং লাইসেন্স ককথৎখি। মহাক্না মহাক্কী প্রোফেসনেলগী ২৯ লক শুবা ওইনা জোরো ফেল্লিগা থিন্নবদা মায় পাক্লবা মতুংদা মহাকপু জেলদা থাজিনখি।

